Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব ফ্রন্টনা মোইরাং থানা লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমদা লৈরিবা ইমুং ৩০ রোমদা চান থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

লামায় ২

ময়াং ইম্ফালদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা হুন্দোক্লম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবা থৌদোক্কী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়না তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা কেন্দল লাইট ভিজিল পাঙথোকখিবা

লামায় ১

লম্ফেল পাৎতা মণিপুর লোক আয়ুক্তাগী ওফিস বিল্ডিং শানবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা উরেপ উয়ুং তমখিবগী থৌরম

লামায় ১

রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ইম্ফালগী ৪৯শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা মেদিকেল ষ্টুদেন্টশিংদা সর্টিফিকেট খূৎশিন্নখিবা

লামায় ১

Vol. 44, Issue No.171 | লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, September 15, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বাইওমেট্রিক দেটাদা য়ূম্ফম ওইগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : মতমগা চুনবা মওংদা কুমজা ২০২১গী সেন্সস বাইওমেট্রিক দেটাদা য়ূম্ফম ওইগদবনি অমসুং কুমজা ২০০১ নৎত্রগা ২০১১গী সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা চুল্লোই হায়না মণিপুরগী লূপ মঙানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পম সেকেন্দ, অকোম লূপ কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি নহাকপম শান্ত, য়ু এন এ সী এস য়ুগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুখাম প্রেমজিৎ, লিপুলগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সোমোরেন্দ্রো অমদি হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট এল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

‘মৈরিকপীদগী মৈজাও ওল্লকপা য়াই’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়ারিং ৱিংগী ৱাথোক মৈরিকপীদগী মৈজাও ওল্লকপা য়াই হায়না অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপ (এইমস) কী প্রসিদেন্ট খুমুজম রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়ারিং ৱিংগী মতাংদা অশোয়বা অরানবা কয়া চথবা থেংনরে হায়দুনা এইমস অমসুং দেসামনা মমাঙথক্তা মীদিয়াগী খূথাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে। অমদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙদসু ৱাকৎখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৯.৫৩ ওইরে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা মীওইশিং ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৯.৫৩ য়ৌরে হায়না লৈঙাক্কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৯৬ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৭৯৭১ য়ৌরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭৮ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১৮ য়াওরি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

মরক্কী মীখল মমাঙদা মিনিষ্টর রিসফল তৌরবা য়ারি

অজয় জমৱাল অমসুং বাইজায়ন্ট পান্দেনা ঙসি গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলাগা উনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হাঙদুনা লৈরিবা সিট ১৩গী মনুংদা সিট খরা মেনশিন্নবগীদমক অথুবা মতমগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা মরক্কী মীখলগী মাঙওইননা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিং রিসফল তৌরবা য়ারি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ইম্ফালদা ঙসি লাকখিবা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেক্রেটরি অজয় জমৱাল অমসুং বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন বাইজায়ন্ট পান্দেনা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনখ্রে। উনখিবা অদুদা লাক্কদৌরিবা মরক্কী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবগীদমক করি করি থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বশিং কুপ্না খন্নখি। বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবগীদমক লাল্লোং য়াৎপা ওইনা মরক্কী মীখল মমাঙদা মিনিষ্টর রিসফল তৌবনা শাফগদ্রা হায়বা ৱাফমসু খন্নখি। হয়েং বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেক্রেটরি অজয় জমৱাল অমসুং নেসনল স্পোক্সপর্সন বাইজায়ন্ট পান্দেনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলাগসু উনগদৌরি। গভর্ণর উনরল্লবা তুংদা বি জে ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মরোল থোকপা লাই / ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



মনুং মপান ফাওনা উবা লৈঙাক লৈহন্নবা হোৎনরি: চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : মনুং মপান ফাওনা উবা অমসুং শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক লৈহন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। লম্ফেল পাৎতা মণিপুর লোক অয়ুক্তগী ওফিস বিল্ডিং শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা চীফ মিনষ্টর সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি, পব্লিক সর্ভিসতা অরানবা তৌবশিং থিগৎনবা এন্টি করপসন সেল লিংখৎলে। হান্না লৈরম্বা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট অদু এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী থাক্তা পুখৎলে। দিপার্টমেন্ট অসিগী লুচিংবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা ওইরে। থা খুদিংগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনরে। লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং মনুং ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এম সী এস সী সী ম্যেন এগজামগী মতাংদা কোর্টনা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : অশোইবা অরানবা পীক থন্না য়াওরে হায়দুনা ৱাকৎনরকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরকপগা ইরোইননা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা নীংশিংনীংঙাই ওইবা ৱায়েল অমনা চৎনহনখিদ্রবা এম পি এস সীনা লৌখিবা এম সী এস সী সী ম্যেন এগজামিনেসন, ২০১৬কা মরী লৈননা হায়কোর্টতা ফাইল তৌনরকখিবা রিভিয়ু পিটিসনশিংগা মরী লৈননা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশশিং ইস্যু তৌখ্রে।

এগজামিনেসন অসি ককথৎখিবা কোর্টকী ওর্দরগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক অমসুং অতোপ্পা অমা য়াওনা এগজামিনেসন অদুদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌনরকখিবা অপূনবা রিভিয়ু পিটিসন ১০নি।

রিভিয়ু পিটিসনশিং অদুনা পিটিস্নর য়েঙ্খোম জিবনগী নম্বর ৩ ওফ ২০২০, মণিপুর লৈঙাক অমসুং অতোপ্পা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

ময়াং ইম্ফাল থৌদোক্কী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা কেন্দল লাইট ভিজিল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মহাক্না নুংশিনজবা পাখঙনা কৌথোকখ্রগা মমান্নবশিংগা লোয়ননা গেং রেপ তৌবদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদবা থৌদোক অদুগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী অচুম্বা অমসুং অথুবা ৱায়েল চথগদবনি হায়বগী দিমান্দদা কেন্দল লাইট ভিজিলগী খোঙজং অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল ইষ্টকী কোনুং মমাঙগী মফম অমদা চথখিবা খোঙজং অদুদা মণিপুর এল্লাইয়েন্স ফোর চাইল্ড রাইটস (এম এ সী আর) ৱিং মণিপুর, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী চাইল্ড লাইনশিং অমদি এক্সত্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসন, মণিপুর (ইভফম) গী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

মফম অদুদা ৱিং মণিপুরগী কনভিনর নোনিবালানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী কেন্দল লাইট ভিজিলগী খোঙজং অসি ময়াং ইম্ফালগী নুপীমচা অদুগী থৌদোক্কী কেস অসিগী অচুম্বা অমসুং অথুবা ৱায়েল পুরক্নবগীদমক্তনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এম এ সী আর অমসুং ৱিমেন ইন গর্ভনেন্স (ৱিং), মণিপুরগী মায়কৈদগী দিমান্দ অসি তকশিল্লদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

রিমসকী ৪৯শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী ৪৯শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা রিমসনা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

সর্জিকেল আই সী য়ুগী ফীভম ফগৎহল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লেভেল ৱান ত্রোমা ক্যের সেন্টর মপূং ফানা থবক হৌরে। ফমুং ১০ লৈবা অনৌবা দাইএলাইসিস সেন্টর অমসু লৈরে। লেপরোসকোপিক সেট মঙা, আই সী য়ুগী ভেন্টিলেটর ৫৯, হিমোদাইএলাইসিস মেছিন ১০, অলত্রাসোনোগ্রাফি মেছিন ৭, এক্স-রে মেছিন ৬, দেফিব্রিলেটর ১০, সর্জিকেল ওপরেটিং মাইক্রোসকোপ, ব্রেন রিত্রেক্টর সিষ্টম, অলত্রাসোনিক সর্জিকেল এস্পিরেসন, ইকো কার্দিওগ্রাফি মেছিন, হোল্টর মেছিন, ব্লদ গ্যাস এনালাইজর, মল্টি পেরালিটর মোনিটর, প্লাজমা ষ্টেরিলাইজর, আর টি পি সী আর, আর টি মাইক্রো পি সী আর ৱর্ক ষ্টেসননচিংবা লৈরে।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা প্রোফেসর ব্রোগেন অকোইজমনা হায়খি মদুদি মণিপুরগী চীংদা শাৎপা লমদম অসিগী লৈশিংগী মমিং লৌরগা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অখন্নবা পান্দম অমা থল্লগা থবক তৌবা তঙাইফদে : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : আয়ুস দিপার্টমেন্টকী ওফিসর অমদি ষ্টাফ পূম্নমক্না অখন্নবা পান্দম অমা থল্লগা থবক তৌবা তঙাইফদে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

Hon'ble Minister (H.FW & AYUSH)
On 14th Septem 2020
Ven 50 - Bedded Integrated AYU

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফমুং ৫০ থাবা আয়ুস হোস্পিটালদা পাঙথোকখিবা পোসান মাহগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা হায়খি, হকচাং ফবনা অথোইবা লননি হায়বা পাউজেল অসি মীপূম খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মীওই অয়াম্বনা হকচাং ফনা থম্বা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম খঙলগসু থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনদে। পুন্সিদা নুংঙাইনা হিংগে হায়রবদি হকচাং ফনা থমগদবনি। মতম মতমগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা থৌশিল কয়া লৈঙাক্না পায়খৎতুনা লৈবাক মীয়ামগী হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টনসু নুপী, ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

য়েংশিনবিনবা লৈতবদগী য়োন্নীং-য়োন্নীংবা মমলদা পোৎ চৈ য়োন্নরে

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীপূম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্নরিবৈঙৈগী চৈরক্তা পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না য়োন্দনবা মীয়াম্না তকশিন্দুনা লাক্লবসু থোইদোক্না কান্নবা ফংদবগী মওং অমা উবা ফংলে। দুকান ফম্লিবশিংনা মশাগী অনীংবা অপাম্বা মতুংইন্না পোৎ চৈগী মমল য়োন্নিংবা মওংদা য়োলে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

পাউচে অসিনা অখন্নবা ফংবা পাউগী মতুংইন্না থাঙ্গাল কৈথেলদা হাংবা ঈদাক লাংথক য়োনবা দুকান অমদা মীওই অমনা ইনফ্রারেদ থর্মোমিটর লৈনবা হোৎনরুবদা ইনফ্রারেদ থর্মোমিটর মোদেল নম্বর ৱাই ঐচ কে ৱাই-২০০০গী বোক্সতা এম আর পি মমল ওইনা লুপা ১১৮০০ থাবা থেংনখি। অদুবু দুকান মপু অদুনা লুপা লিশিং অনী খরা হেন্না পীরগা লৌবা য়াগনি হায়রকখি। দুকান ফম্লিবা মীওই অদুগা ফনা কুইনা ঙাঙনরবা মতুংদা কাইনথংদা লুপা লিশিং অনীদা লৌবদা য়ানখি। লোয়ননা পল্স ওক্সিমিটর অমগসু লৈনবা মমল হংবদা হান্নগী মতৌগুম পল্স ওক্সিমিটরগী বোক্স অদুদসু এম আর পি লুপা ৩৯৯৯ থাবা থেংনখি। অদুবু লুপা ১৩০০দা লৌবা য়াগনি হায়রকখি। য়াম্না কন্না ঙাঙনরবা মতুংদা লুপা ১১০০দা লৈখি। হায়নখিবা মমলদা য়ানদুনা



ইনফ্রারেদ থর্মোমিটর অমদি পল্স ওক্সিমিটর লৈরবা মতুংদা কেশ মেমো পীয়ু হায়রুবদা দুকান মপু অদুনা কেশ মেমো পীবা ঙম্লোইহায়বদগী ঙাইহাক উংখৎনরগা অতোপ্পা দুকান অমদা অমুক চঙখি। অদুবু চৈরক অদুদা দুকান ফম্লিবা মীওই অদুনা অতোপ্পা দুকানশিংদা ফোন তৌদুনা মমল চপ মান্ননা য়োন্নবা খঙহনখি হায়রি।

থৌওং অদু উবদা মীওই অদুনা মহাক কদাইদা থবক তৌবগে হায়বনচিংবা মশক তাকপদগী কাইনথংদা দুকান ফম্লিবা মীওই অদুনা তপথরক্লগা কেশ মেমো পীরকখি। মীওই অদুনা ফোঙদোরকখিবদা করিগুম্বা মীচম অমা ওইরম্বা তারগদি মখোয়না পাম্লিবা মমলদা পোৎ য়োল্লগা কেশ মেমো য়াওদনা অদুমক শেল লৌহৌরম্বা য়াই। ইম্ফাল মনুংদা দুকান ফম্লিবা মীওই খরনা খূৎপু শেম্লগা চিংনবা লৈতনা য়োন্নিংবা মওংদা মখল কয়াগী পোৎ চৈ য়োল্লে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদম ওইনা লৌফম থোকই হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি মমাংঙৈদগী অদুমক চথদুনা লাক্লবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীদবা মরম্না দুকান ফম্লিবা মীওই খরনা অপাম্বা মওংদা পোৎ চৈগী মমল লেপ্পুনা লাক্লে হায়বা য়াই। লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওই খূৎপু খরনা য়োন্নীংবা মমলদা পোৎ চৈ য়োল্লিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা মতিক চাবা থবক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

HL Poll

Q: Union health minister Dr. Harsh Bardhanna mathang chahida Covid-19gi vaccine puthoklagani hairibasi thajaningai oi khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurbu drug puthok-pushin toubagi maru oiba lambi oina sijinnaribasi thingba ngamgani khanbra?

Yes 14% No 86%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৯৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৫.৯৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.১৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ভোট কাখ্রবদি শেন্নক্লরোই, খরা ফজনা শেন্মু লম্বীদো ইবুংঙো।

- ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯈ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯁꯦꯟꯅꯛꯂꯔꯣꯏ, ꯈꯔꯥ ꯐꯖꯅꯥ ꯁꯦꯟꯃꯨ ꯂꯝꯕꯤꯗꯣ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ꯫



- হোৎনজগে পাবুং! পাবুংনা হায়বা চুম্মী।

- ꯍꯣꯠꯅꯖꯒꯦ ꯄꯥꯕꯨꯡ! ꯄꯥꯕꯨꯡꯅꯥ ꯍꯥꯌꯕ ꯆꯨꯝꯃꯤ꯫

@1.80% অপীকপা শেন্দোইদা @1.80%
সনা Bandhop লৌজরি
ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।
সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।
করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপীরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।
@1.80% Only.
For details, Please contact
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479
HL-B/6330/26th aug to 25th sept

TRUENAT TEST FACILITY OF COVID-19 SCREENING AVAILABLE WITH SAME DAY REPORT
RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
HAPPY ANNOUNCEMENT
The Management of Raj Medicity is pleased to announce the joining of the following Doctors.
24 x 7 EMERGENCY & TRAUMA SERVICES
Online appointment/queries: +91 9366324204

Dr. Yengkokpam Ibotomba Singh, MBBS, MD (Microbiology), Former Director, RIMS, Imphal, HOD, Dept. of Microbiology
Dr. Yengkhom Nabakumar Singh, MBBS, MD (Pathology), Senior Consultant, Dept. of Pathology
Dr. Huidrom Ranjit Singh, MBBS, MD (Obstetrics & Gynaecology), Former Addl. Director, DHS, Govt. of Manipur, Sr. Consultant, Dept. of Obs & Gynae.
Dr. Loutongbam Bishwajit, MBBS, MS (Obstetrics & Gynaecology) (Army Hospital R&R, DU, New Delhi), Consultant, Dept. of Obs & Gynae.
Dr. Tamphasana Wairokpam, MBBS, MD (Medicine), M.Sc. Clinical Neurology (U.K.), Consultant, Dept. of Medicine
Dr. Dalli Khuo, MBBS, MD (Anaesthesiology), Consultant, Dept. of Anaesthesiology

OPD DAYS AND TIMING:
Neuro Surgery : All days (1 pm to 5 pm)
Cardiothoracic Vascular Surgery : Monday to Saturday (10 am to 3 pm)
Plastic & Reconstructive Surgery : All days (10 am to 1 pm) except Tuesday
Surgical Oncology : Monday to Saturday (10 am to 2 pm)
Urology : All days (10:30 am to 2:00 pm) except Sunday (11 am to 12 noon)
Orthopaedic Surgery : Monday to Saturday (10 am to 5 pm)
Obs & Gynae. : All days (7 am to 7 pm) /Sun(7-10 am)
General Surgery : All days (10 am to 1 pm)
Paediatrics : Monday to Saturday (10 am to 6 pm)
Immunization : Every Thursday (10 am to 1 pm)
ENT : Monday to Saturday (9 am to 1 pm)
General Medicine : All days (9 am to 5 pm) except Sunday (11 am to 3 pm)
Physiotherapy : Monday to Saturday (10 am to 5 pm)
Dietician : Monday to Saturday (10 am to 5 pm)
Dialysis Facility : All days (24 X 7)
HL-P/7533/15

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫